

*ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর দেনিয়ল গীলেবু থিন্দুনা ৱার্ল্ড বোক্সিং কাউন্সিলগী মিদল ৱেট টাইটল লৌখ্রবা পিয়ুর্টো রিকোগী মিগেল কোটো (ওই)*

*এসিয়ান এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপতা মিটর ৮০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী তিনতু লুকা*



## নম্বর ১ জোকোবিস মায়থিবা পীদুনা ৱারিঙ্কানা ফ্রেন্স ওপন টাইটল লৌখ্রে



*নোবাক থোইদুনা ফ্রেন্স ওপন টাইটল ফংলবা স্বিটজরলেন্দগী ৱারিঙ্কানা ত্রোফি পায়দুনা হরাওরি*

পেরিস, জুন ৭ ঃ

নুপাগী টেন্নিসকী ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসপু ঙসি পেরিস সহরদা লৈবা ফিলিপ গার্দিয়র টেন্নিস কোর্টতা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টনিস্লাস ৱারিঙ্কানা সেট ৩–১দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অসি শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা নোবাক অমসুং ৱারিঙ্কানা পুন্না মেটচ ২০ থেংনখিবদা নোবাকনা ১৭ থোইরগা ৱারিঙ্কানা ৩খক থোইখিবনি। ২০১৫দা ৱারিঙ্কানা নোবাকপু ওষ্ট্রেলিয়া ওপন গ্রান্দস্লামগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা পীখিবা অদুনা ইকোন কোন্না মায় পাকপা ওইখি।

ঙসিগী অহানবা সেট শান্নরকপদা চহি অসিগী ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনসু ফংবা ঙমখ্রবা নোবোক জোকোবিসনা ৱারিঙ্কাগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–৪দা থোইখি। অদুবু অনিশুবা সেটতা য়াম্না মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনবদগী ৱারিঙ্কানা নোবাককী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নরকখি।

অহুমশুবা সেট নোবাক জোকোবিসকী সার্ভিস গেম অমা ৱারিঙ্কানা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–৩দা থোইদুনা সেট ২–১দা মাংজিল থারকখি।

মরিশুবা সেটকী ৮শুবা গেম লোইশিল্লপা ফাওবদা গেম ৪–৪ থোইনদুনা লৈখি। ৱারিঙ্কানা ৯শুবা গেম সার্ভিস তৌরকখি। হোল্ড তৌবা ঙমদনা গেম ৫–৪দা মাংজিল থাখি। নোবাক জোকোবিসনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অদু তৌরকপদা ৱারিঙ্কানা ৪শুবা সেট অদুদা ব্রেক তৌখিবদগী চহি অসিগী ফ্রেন্স ওপন টাইটল অদু ৱারিঙ্কানা লৌখিবনি।

নুপাগী দবলসতা য়ু এসকী ব্রাইন্দ ফাইবোক মায়থিহৌখি। অদুগা নুপীগী দলবসতনা য়ু এসকী বেথানি অমসুং জেক সফারোভানা টাইটল লৌখি।

## বর্সেলোনানা জুবেন্টস মায়থিবা পীদুনা মঙারকশুবা চেম্পিয়ন্স লীগ টাইটল লৌখ্রে



*চেম্পিয়ান্স লীগ টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী বর্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা ত্রোফি থাঙ্গৎতুনা হরাওবা*

বার্লিন, জুন ৭ ঃ

য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী মমল য়াম্রবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগকী ঙরাং নোংয়াইদা জর্ম্মনিগী সহর বর্লিনদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী ক্লব বর্সেলোনানা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসপু পাঙ্খল ৩–১দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসি মঙারকশুবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

বর্সেলোনাগী টিমদা য়াওরিবা সাউথ অমেরিকাগী শান্নরোই অহুম মেসি (আর্জেন্টিনা), স্বরেজ (উরুগুৱে) অমসুং নেমর (ব্রাজিল)গী অপনুবা পাঙ্গলনা ঙরাংগী মেটচ অদুদসু ফজবা মশান্না উৎপা ঙমদুনা ইটালি ক্লব জুবেন্টসপু মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা বর্সেলোনানা চনখিবা পাঙ্খল ৩ অদুগী মনুংদা স্বরেজ অমসুং নেমরনা পাঙ্খল অমমম চনখি।

নিংশিংবা য়াবদি, বর্সেলোনানা ঙরাং ফংখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ টাইটল অসি থারগা ক্লব অসিনা ২০১৪–১৫ সিজনগী ওইনা টাইটল ৩ লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা টাইটল অনি অদুদি লা লিগা অমসুং কোপা দেলরে কপনি।

জর্ম্মনিগী সহর বর্লিনদা লৈবা ওলেম্পিক ষ্টেদিয়মদা তিনখিবা ভাবোক লিশিং ৭০ হেনবগী মমাংদা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী ক্রোএসিয়া মচা রাকিটিকনা শান্নবগী ৪শুবা মিনিটতা হান্না পাঙ্খল চনখি।

অনিশুবা হাল্ফ হৌরকপা ৫৫শুবা মিনিটতা জুবেন্টসকী মোরাতানা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অদুবু ৬৮শুবা মিনিটতা লুই স্বরেজনা মেসিনা কাউশিনখিবা সোট অমা জুবেন্টসকী গোল কিপ্পর বুফোননা ঙাকথোরকপদা কাউশিন্দুনা অনিশুবা পাঙ্খল চনখি অদুগা ইঞ্জুরি টাইমগী ৭শুবা মিনিটতা নেমরনা ৩শুবা পাঙ্খল অদু হাপচিন্দুনা জুবেন্টসনপু ৩–১দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

## লুকানা মিটর ৮০০গী গোল্ড ফংখ্রে

ৱুহান, জুন ৭ ঃ

চাইনাগী সহর ৱুহানদা পাংথোকপা ২১শুবা এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী মিটর ৮০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী তিনতু লুকানা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী নেসনেল রেকোর্দসু থম্বা ঙ্গ্লীবী লুকানা ঙসি ৱুহান স্পোর্টস সেন্টরদা পাংথোকপা নুপীগী মিটর ৮০০গী লমজেল অদুদা মিনিট ২ঃ০১.৫৩দা গোল্ড মেদল অদু ফংখিবনি।

ঙসিগী টাইমিং অসি সিজন অসিদা লুকাগী খ্বাইদগী ফজবা টাইমিংনি। কম্পিটিসন অদুগী সিলভর মেদল অদু চাইনাগী ঝাও জিংনা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা শ্রিলঙ্কাগী নিমালিনা লৌখি।

পনবা য়াই, গোল্ড মেদল ফংখ্রবী লুকানা চহি অসিগী আগষ্ট থাদা পাংথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইখি। অদুবু রিও ওলেম্পিক গেমসকী লৈরিবা মিনিট ২ঃ০১.০০গী ক্বালিফায়িং মার্ক অদু য়ৌদবনা ওলেম্পিককী ক্বলিফাই ওইবা ঙমদ্রি।

ইন্দিয়ানা গোল্ড ৪, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংদুনা ৩শুবা তাখি। য়ুম্বু চাইনা অমসুং কর্টারনা অহানবা অমসুং অনিশুবা তাখি।


Unique Education CBSE

Estd.2007

The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.

6-months Foundation for CBSE IX & X | 15-may - eng,maths,sc.,s-sc.

5-months Foundation CBSE XI & XII Sc. | 01-may - phy, che, bio, maths

Vacation Course for Navodaya, Sainik & Outsiders CBSE IX, X, & XIISc.

Class on 04-May

Mor -5:00 to 7:00 am
Eve -4:30 to 7:30 pm

Hostel for boys
24 Hr. Running water & Light
Attached Bathroom, Hygenic food
Walkable distance to all coaching Centre

Hostel for girls
24 Hr. Running water & Light
Attached Bathroom, Hygenic food
Free internet facility
Walkable distance to all coaching Centre

Van Service Available / Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express


### ফিফা য়ু–২০ ৱার্ল্ড কপ

## য়ু–২০গী ৱার্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে

খৃষ্টচর্চ / ন্যু প্লাইমাউট, জুন ৭ ঃ

চহি ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা টিমশিং মশক খঙদোকপা লোইখ্রে।

ঙসি ৱার্ল্ড কপ অসিগী অরোইবা লীগ রাউন্দ মেটচতা গ্রুপ (ই) অমসুং (এফ)কা জর্ম্মনি, উজবেকিস্তান, নাইজেরিয়া অমসুং ব্রাজিল মায় পাকখি।

খৃষ্টচর্চকী ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ (এফ)গী জর্ম্মনি অমসুং হোন্দুরসনা শান্নখিবা অরোইবা লীগ রাউন্দ মেটচ জর্ম্মনিনা ৫–১দা থোইখি। জর্ম্মনিগী মায়কৈদ ষ্টেনদেরা (মিনিট ২), ব্রেন্ট (মিনিট ৩০), মুক্তার (মিনিট ৫০), প্রোমেল (মিনিট ৬২) অমসুং ষ্টার্ক (মিনিট ৮১)না পাঙ্খল ৫ চনখি। অদুগা হোন্দুরসকী পাঙ্খল অমখক অদুসু জর্ম্মনিগী স্কৱাবেনা ১৯শুবা মিনিটতা চনশিঞ্জখিবা পাঙ্খলনা ওইখিবনি।

গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা উজবেকিস্তাননা ফিজিবু পাঙ্খল ৩–০দা মায়থিবা পীখি। পাঙ্খল অহুম্মক শান্নবগী অনিশুবা হাল্ফতা চনখিবনি।

পাঙ্খল চনবা ঙম্বা শান্নরোইশিং অদুদি সোমুরোদো (মিনিট ৬২), উরিনবোব (মিনিট ৬৩) অমসুং কোসিমো (মিনিট ৯০+৩)নি।

ঙসি গ্রুপ (ই)গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা নাইজেরিয়ানা হঙ্গেরিবু পাঙ্খল ২–০দা থোইখি। নাইজেরিয়াগী মায়কৈদগী পাঙ্খল অনিমক টিম অদুগী শান্নরোই অওনিয়ি না অহানবা হাল্ফকী মিনিট ৩৩শুবদা অদুগা অনিশুবা হাল্ফকী ৫৪শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

লোয়ননা গ্রুপ অসিগী মেটচ অমদা ব্রাজিলনা নোর্থ কোরিয়াবু পাঙ্খল ৩–০দা থোইখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনিমক পাঙ্খল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অহানবা পাঙ্খল অদু অনিশুবা হাল্ফকী ৬০শুবা মিনিটতা নোর্থ কোরিয়াগী মিন হিয়ো সোংনা শোইবদগী চনশিঞ্জখিবা পাঙ্খলনা ওইখি। অনিশুবা পাঙ্খল ব্রাজিলগী জোন কার্লোসনা শান্নবগী ৬৬শুবা মিনিটতা চনখিবনি। অদুগা অহুমশুবা পাঙ্খল অদুনা টিম অদুমক্কী লিয়ো পেরৈরানা ৮৬শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

ৱার্ল্ড কপ অসিগী নোক আউট ষ্টেজ থা অসিগী ১০ অমসুং ১১দা শান্নরগনি। পুন্না টিম ১৬না শান্নগদৌরিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল হায়না খঙনরিবা নোক আউট রাউন্দ অসিদা লীগ রাউন্দদা গ্রুপ ৬তগী মকোক থোংবা অমসুং অনিশুবা টিম খনগৎলবা মতুং ৩শুবা পোজিসন তাবদা ফজখিবা টিম ৪ খনগৎতুনা পুন্না টিম ১৬ লৈরিবনি।

অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা টিমশিংদগী খনগৎখিবা টিমশিং অদু গ্রুপ (এ)দগী য়ুম্বু ন্যুজিলেন্দ, গ্রুপ (দি)দগী মালি, গ্রুপ (সি)দগী সেনিগাল অমসুং গ্রুপ (ই)দগী হঙ্গেরিনি।

## মোমোতা অমসুং ইন্তানোননা ইন্দোনেসিয়া ওপন টাইটল লৌখ্রে

Indonesia Open 2015
Part of the MetLife
BWF World Superseries Premier



*ইন্দোনেসিয়ান ওপনগী নুপাগী চেম্পিয়ন ওইরবা জপানগী মোমোতা*

জকারটা, জুন ৭ ঃ

ঙসি ইন্দোনেসিয়াগী জকারটা সহরদা শান্নখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল জপানগী মোমোতা অমসুং থাইলেন্দগী ইন্তানোননা লৌবা ঙমখ্রে।

নুপাগী ফাইনেল মেটচ অদুদা জপানগী নৌনা মমিং চৎখৎলক্লিবা কেন্তো মোমোতা অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী মমাং চহিগী চেম্পিয়ন দেনমার্ককী জান ও জোর্গেনসেনগা লম্বা তৌনবদা পুং ১ হেন্না চংনা শান্নরবা মতুং জপানগী শান্নরোই অদুনা গেম ১–২দা মায় পাকখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেমদা জোর্গেনসেননা ২১–১৬দা থোইখি। অদুবু অনিশুবা গেম অদুদা জপানগী শান্নরোই অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরকপদগী ২১–১৯দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা ৩শুবা গেমগীদমক শেম শান্নখি।

৩শুবা অমদি অরোইবা গেমদা জপানগী মোমোতানা জোর্গেনসেনদগী খুদোংচাবা ঙন্না লৌবা হানখিবদগী ২১–৭দা থোইদুনা নুপাগী টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা নুপীগী ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী রাটচানুক ইন্তানোনগা জপানগী য়ুই হাসিমোতোগা লম্বা তৌনরকপদা থাইলেন্দগী শান্নরোই অদুনা ফজবা হেনখিবদগী গেম অনিমক্তা খুদুম চ-দুনা শুপ্পগী মিনিট ৪২দা ফাইনেল মেটচ অদু ২১–১১, ২১–১০দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। পনবা য়াবদি, মমাংগী ফাইনেলদসু শান্নরোই অনি থেংনবদা ইন্তানোননা থোইখিবনি।


THE MADHUMALGOL MEMORIAL HIGHER SECONDARY SCHOOL,
Wangkhei, Wangkheimayum Leirak, Imphal East, District Manipur-01
Affiliated to C.B.S.E., New Delhi-01
Affiliation No: 1230023

No. F-3/ACD./I/C/ADM./MM/2015-2016/vol-1/2 Date: 01/06/2015

REMINDER

the Imphal 1st June 2015

It is hereby once again informed to all the concern REGISTERED STUDENTS having REGISTRATION No. in Class: 9 &11 of our school for the Session: 2014-2015. Who is ELIGIBLE to appear Class: 10 & 12 (AISSE/AISSCE 2016) Main Exam on March to appear as a regular student of the M.M. Higher Secondary School to admit to school as soon as possible.

It is extreme violation of the rules, of the Board (CBSE) that, our genuine students who had admitted to others CBSE, affiliated schools directly without any Mark-Sheet, Transfer Certificate which is not countersign by the School Managing Committee (SMC), as per Board Circular No. COORD/EC-30.7/2014 on dated: 26.11.2014 Examination Bye-Laws of the Board. Overall, our school had not issued any such certificate to any students who were going to entertain in the coming AISSE/AISSCE 2016 Main Exam.

All the Head/Principal of the CBSE, affiliated school in Manipur are requested to inform to our school for to verify the certificates, because from our school does not issues any such as pass certificates of Class: 9 &11 of Previous Year Session: 2014 -15.

In order to ensure all the REGISTERED STUDENTS of our School to the board, as prescribed rules by the board generates false expectations for the Students/ Parents toward the Board. All such unreasonable should not be abandoned henceforth and adheres to **Cut-off-Registered-Students** to appear AISSE/ AISSCE-2016 Board Examination. In this matter, all the REGISTERED STUDENTS are informed to returned to admit to the school urgently so, that any Students should not face any difficulties and problems like the Previous Year Students.

So, all the students are informed to follows the rules i.e. to admit in their respective schools and to attend the school regularly and parents are requested to consult with the school authorities in case of all matters concerning their wards. As per latest Circular No RO/GHY/Supdt.(PR)/2015/ on dated: 08/05/2015 for further information to all the Head of the Institutions, Affiliated to CBSE, regarding steps to be taken for countersignature on Transfer Certificate. In this matter, many schools are not aware about the Circular No. COORD/EC-30.7.2014 ON dated: 26/11/2014 from CBSE, Board, instructed to follows strictly to all the concern matters to take up further necessary action and the Board (CBSE) had already order circular for Conduct Surprise Inspection to all the CBSE, Affiliated school to verify the enrolment of students who are going to appear coming Class X & XII AISSE & AISSCE March- 2016 Main Exam to extract strictly the Rules & Regulation of the Board, Examination-Bye-Laws.

This is for urgent information of all concern to take further necessary action that, the School Managing Committee (SMC) have not given any Certificates and permission to any unaffiliated school in Manipur to attach in the M.M. Higher Secondary School, Wangkhei, Imphal East, Manipur.

Note: Last date of Admission: 22/06/2015 for Class 10/12 for the Academic Session: 2015-16.

For more information and details, please contact Academic I/C. during office hour 10:00 am to 3:30 pm.

Sd/-
Academic, I/C,
The M.M. Hr. Sec. School
Yairipok Road Imphal East

SL/B/7,8



THE M.M. HIGHER SECONDARY SCHOOL
WANGKHEIMAYUM LEIRAK, WANGKHEI, IMPHAL EAST, MANIPUR-795001
Affiliated to CBSE, New Delhi Affiliation No.: 1230023

A Co-educational Secondary & Senior Secondary School,

ADMISSION OPEN NURSERY TO CLASS:12
FOR NEW ACADEMIC SESSION:2015 - 2016
*ADMISSION OPEN CLASS:11(ELEVEN)*
BOOKING FOR SCIENCE & ARTs.



* We don't talk about individual brilliance. Instead, we believe in performing together.* * Hurry Seat are Limited *
* DO NOT MISS ITs, SPECIAL OPPORTUNITY & ADVANTAGE:

1. Direct Admission is allowed for first 320 Students, In CLASS: 11 (ELEVEN) at Science Stream only, first cum first Serve Basis. (Teacher Students Ratio per section is 1:40).
2. Special offer for Class VI- IX ADMISSION FEE FREE, only enrollment fee in memory of my LATE FATHER W. PHOLENDRO SINGH ANIVERSARY.
3. Separate HOSTEL for BOYS & GIRLS. Strictly follow.(For Hostellers Special Concessions Fee).
4. Transport facilities & Wi-Fi Campus.

NOTE: All the STUDENTS REGISTRATION in Class: 9/11 Session: 2014-15 - Eligible to appear Class: 10/ 12 (AISSE/AISSCE-2016 Board Exam). In the name of M M HIGHER SECONDARY SCHOOL, are informed to Admission Very Soon for Class: 10 & 12 Session: 2015-2016.

INTRODUCTION OF VOCATIONAL STUDIES :

N.B.: BOOKING ADMISSION FOR CLASS: XI (ELEVEN) ADMISSION FORM & PROSPECTUS FORM AVAILABLE AT SCHOOL DURING OFFICE HOUR : 9:30 AM - 3:30 PM.
***ADMISSION CAN BE FROM ANY RECOGISED BOARD***

For Details, Please Contact: Academic, I/C.
The M.M.Hr. Sec. School,
Yairipok Road, Wangkhei Wangkheimayum leirak, Imphal East District.

SL/B/7,8


## মণিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৭ ঃ

বেঙ্গলোরগী শ্রী কান্তিরভা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা মমাং থাগী ২৫দগী ৩১ ফাওবা চথখিবা ১৬শুবা এম টি আই জুনিয়র অমসুং সব জুনিয়র নেসনেল মুয়ে থাই চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা টিমনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইদুনা ইম্ফালদা থুংলখ্রে হায়না মণিপুর এমেচর মুয়ে থাই এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরদগী পুন্না শান্নরোই ৪৮ অমসুং ওফিসিয়েল ৩না শরুক য়াখিবনি। মণিপুরগী টিম অদুনা পুন্না গোল্ড মেদল ৩০, সিলভর মেদল ১৫ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৩ লৌবা ঙমদুনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখিবনি হায়না প্রেসতা মণিপুর এমেচর মুয়ে থাই এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন্দি রাফিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদু কর্নাটাকা মুয়ে থাই এসোসিয়েসননা মুয়ে থাই ইন্দিয়াগী মিৎয়েং মখাদা পাংথোকখিবনি। হায়রিবা নেসনেল ফেদরেসন অসি বেঙ্গলোরদা হেদ ক্বার্টর ওইদুনা ইন্দিয়া ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা রিকোগনাইজ তৌরবনি।